

# ৱাইশেলগী মার্চ, এপ্রিল, মে - ২০১৬ থাশিং অসিনসু করি অমুক খঙহল্লিবগে?

— নাওরেম দেবান মঙাং —







**১) মার্চ- ২০১৬ ঃ-** অসিদসু য়েৎলোমদনা নুমিৎ, থা খঙনবা অদুগা ওইরোম থংবা মথক্কী তঞ্জায়সিদনা ঈশিং-ঈরমসিদা লৈরিবা ফত্ত-হৌদিশিং কয়াগী পীকচর উৎলি। অদুগা মখা থংবা তঞ্জায়দনা লূপকী মেম্বরশিংনা শগোলবন্দ অমদি কৈশামথোং কেন্দ্রগী অৱাং থংবা লৈকায় কয়ামরুমদগী ঈশিংদা থাদরকপা নমথিরবা অমদি ফত্ত-হৌদিশিং কয়াবু মখা তানা চেন্থখিনবগীদমক পন্দুনা লৈবা মফম কয়াদা চৈনা থিন-থিন্দুনা লৌথোক্লবা হোৎনরি।

মথক অমসুং মখাদা লৈরিবা ঈচেল অসি কৈশামথোং কেন্দ্রগী থৌদা ভাবক লৈকায়গী 'মেন-ষ্ট্রিম' দা চেল্লিবা ৱাইশেল-মরীনগী ঈশিং লম্বীসিদা চেল্লক্কদৌরিবনি। ঙক্লিবদি মথক্কী পিকচরদা মীওই খরনা লৈকায় অমদগী লৈকায় অমা ফাওবনা ঈচেলসিগী মথক্তা য়ূম শাজিল্লি। অসিগুম্বা থৌওংসিনা ঈরমসিবু শেংদোকপগী/শেমজিনবগী থবক্তা অদুক্কী মতিক খুরৌ থাংহল্লি। অসিগুম্বা থবকসিদি লৌশিং লৈবা মীওইশিংনা চথুবা থবক মান্দে। ঈরমসি অসুক্কী মতিক ঐখোয়গী পুন্সিগা শাগোন্নরিবা পোৎশক অমা ওইবনা অথুবা মতমদা লৌথোকপীহৌবনা পূন্নমক্কীসু অফবা ওইগনি। হৌজিক্তি ঈরমসিগী ভেল্যুবু নিংথিজনা খঙবীরকপদগী কৈশামথোং কেন্দ্রগী ওনরেবল এক্স এম এল এ/মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা লূপকী মরুওইবা থৌ পুরিবা/পুরিবীশিংগী য়ূমদা লাক্তুনা মাগী অঙম্বা করি তৌগদৌরিবনো অমদি ঐ ইশামকসু থবকসিদা শরুক য়াগনি হায়দুনা পীবিখিবা কো-ওপরেসন অদু চপ চানা পাঙথোকখিবগীদমক লূপকী মেম্বরশিংগী মফমদা নীংশিংদুনা লৈহৌরি। মখা থংবা পিকচরগী য়েৎলোম থংবগী অরোইবদা উরিবা অসি মহাক্না থাংদোকপীবা জে সি বি মেছিন লোয়ননা তুংদনা ফত্ত-হৌদি পুথোকখিনবা টাটা টিপ্পর গাড়ীশিংনি। অদুগা ঈরমসিগী মতুং ইন্না খারোমদা পিকচরসিগী ময়ায়গী শরুক্তা ৱাংনা লৈরিবা য়ূম অসিনা ঙানপ্পী থোং মপানগী 'দি সোসিএল ৱেলফেয়র ক্লব' কী শঙনি। ইংগ্রাজিগী থা মার্চ অসি ঐখোয়গীদি ফাইরেন-লমতা থাশিংনা পুল্লি। পারি-পুরিদগী কলচর/ত্রেদিসন অমা ওইনা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিংগী লমতা থাগী থাবুম (পুর্ণিমা) মার্চ তাং ২৩ অসি লমদমসিগী মৈহৌরোলদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎকা চানরবা কুম্মৈ ওইনসু তৌরিবা 'য়াওশঙ' নুমিৎনি। নুমিৎসিবু ষ্টেট হোলিদে ওইনা ছুটি থারে। অতৈদি থোইদোক্ল া পন্দ্রবসু য়ারে। অসুম্না লূপসিগী মেম্বরশিংনা পাঙথোকখিবা থবকসিবু ইংগ্রাজি ময়েক্না মখা থংবা পিকচরসিগী হেক মখাদা অসুম্না ইরি মদুদি ঃ- "The service of clearance along the Waishel Water-Way through the Thouda-Bhavok-Leikai, W/No. -12, Keishamthong A/C by taking out the unused materials with the dead bodies of birds and animals that caused the pollution of the water as well as pollution of atmosphere".

**২) এপ্রিল থা লাক্লে।** থা অসিগীসু য়েৎলোমদনা নুমিৎ/তাংশিং খঙনবা উৎলি। থাসিগী তাং ১৩/৪/২০১৬, শজিবুগী ৭ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎসিদনা রামান্দি লাইনীংগী ইনপ্লুয়েন্সনা নম্ফু-হাফুদা চৈরাওহল্লম্বগী চৈরাওবা অমসুং গৌড়গী চৈরাওবা হায়দুনা লৈরি। মসিদি লমদমসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ কাঙলুপশিংনা তৌনরক্ত্রে, মীতৈ নত্তবা গৌড়শিংনা তৌনরে। অদুনা, নোংমা নোংমগী লেপ্তুনসু ময়েং তারক্লি। মতাংসিদা নৈনবা য়ারক্লিবা ৱাফম অমনা মণিপুরগী কেন্দ্র ৬০ দা লৈরিবা চীং অমসুং তমগী এরিয়াসিদা গৌড় হায়বা মীওই কাঙলুপ অমা লৈরিব্রা হায়বগী ৱাহং অমসু চাওনা লাক্লি। গৌড় হায়বসি হিন্দু এলাইজ/ওর্ফে হায়না খঙনবগুম তৌই। অদুগা থা অসিগী ৮/৪/২০১৬, ইরাই নুমিৎ অসিদা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী ওইবা চহী হৌবা থা ওইরিবা শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিদা অশেংবা 'চৈরাওবা নুমিৎ' থোক্তুনা অতৈ ষ্টেট হোলিদেসু ওইরি। নুমিৎসিদা চহীসিগী মীওইবা অমসুং জিব-পানবা কয়াগী মফমদা চুং-ফিরাল চানা হিংননবগীদমক ওইরিবা চিঙ্গাকশিংগী মথেল কয়াবু লাইদা কৎতুনা ঈরাৎ-থৌনিশিং য়ূমথোং খুদিংগী পাঙথোক্ল রি। অদুগা অতোপ্পা মরু ওইবা নুমিৎ অমনা তাং ১৪ শজিবুগী ৮ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎসিদনা 'কোংবা লৈথোং ফাৎপা' গী মরু ওইবা নুমিৎ অমসু ওইরি। অসিদসু নত্তনা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা 'খোংজোম দে' গী নুমিৎনা তাং ২৩/৪/২০১৬, থাংজ নুমিৎ অসিদা ষ্টেট হোলিদে ওইদুনা থৌরম মপূং ফানবা ছুটি থারি। অতৈদি থোইদোক্ল া মরু ওইদ্রে।

হৌজিক ওইরোম থংবগী পিকচরসিদা লূপসিনা পাঙথোক্কদবা ঈরম শেংবগী থবক হৌগদবগী শেম শারকপগী শক্তম অমা উৎলি। পিকচরসিদা লমদমসিগী শক্নাইরবা ফিল্ম এক্টর কাইকুসু শরুক য়ারক্লি। তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলবু 'ফাউন্দেসন-ষ্টেজ' দগী পূক্লিং মকা লাম্না হিংনবা 'চিলদ্রেন পার্ক' অমসু লিংখৎতুনা হোৎনরক্লিবা কাইকুনা চৈশাং অমা পায়দুনা ফুরিৎ অশংবা অমা লিৎলগা মমাঙদা নিঙ্গাং ফমদুনা লৈবগী শক্তম অমসু উৎলি। অসুম্না থৌদোকসিবু নীংশিংহৌনবগীদমক পিকচরসিগী মখাদা ইংগ্রাজি ময়েক্না ইংগ্রাজি লোন্দা অসুম্না থারি মদুদি ঃ- "Bonafide members/dignitaries of the "Waishel-Marin Shemgatpa Lup" with Shri R.K. Kaiku Singh, Awardee of 1st Best Actor, 2014-15 who are participated in the clearance of Waishel's Water-Way".

**অহুমশুবা থা মে- ২০১৬,** সিগী মথক অমসুং মখা থংবা অনীমক্কী ওইনা ওইরোম থংবা পিকচরশিং অসি থৌদা ভাবোক লৈকায়গী খারোমদা চেল্লিবা ৱাইশেল মরিলগী মেন-ষ্ট্রিমনি। ঈচেলসি খারোমদা লৈরিবা ঙানপী থোং তন্না চেনখ্রিবনি। ঈরমসিদা লৈরিবা ফত্ত-হৌদিশিং কয়াবু লূপকী মেম্বরশিংনা চেন্থখিনবা টোটি পাইপশিং অমদি উচুকশিং কয়াদা পন্দুনা লৈরম্বশিংবু চৈনা থিন-থিন্দুনা ইন্থবগী শক্তমনি। য়েৎলোম থংবদা থা অসিগী নুমিৎ থাশিং উৎলি। অহানবা নুমিৎ মেগী ১ অসি মালেম পূম্বগী ওইনা শিন্নীশিংগী নুমিৎ 'মে-দে' হায়না ছুটি থাই। নোংমাইজিংগী ছুটিশিং ওইরিবা তাং ১-৮-১৫-২২-২৯ শিং অসি অঙাংবনা ওইরগা অতৈনা অমুবা মচুনা লৈরি। তাং ১৪ অসিদি সেকেন্দ সেটরদে ওইবনা অঙাংবা মচুনা থন্মী। থা অসি শজিবু-কালেন অনীনা পুল্লি। থাসিদা পাঙথোক্লিবা লূপকী ওইবা সার্ভিস অসিবু নীংশিংনবা ওইরোম থংবা পিকচরশিংগী মখাদা ইংগ্রাজি ময়েক্না অসুম্ন া ইরি- "Continuency the service of clearance along the Waishel water-way running through the Thouda-Bhabok Leikai, W/No. - 12, Keishamthong A/C by taking out the unused materials with the dead bodies of birds and animals that caused the pollution of the water as well as pollution of (air). (মথংগী ইশ্যুসু জুন, জুলাই, ওগষ্ট থাশিংগী ওইনা পূন্না য়েংমিন্নসি)।

# নোংচুপ থোঙ হাংবা, নোংপোক থোঙ থিংবগী ৱাহন্থোক

— চিংঙাখম সুরচন্দ্র, চেংলৈ ঙানবা —

**য়েলহৌঙৈদগী** হৌনা পোইরৈ মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) গী ইরোন, ইয়েক-লাইয়েক, ইরাৎ-ইশোন, লাইনীং খুদা, শেনমিৎলোন, লৈঙাকলোন লৈজরকই। লৈবাক অসিদা লৈরম্বা ইপা-ইপু য়েলহৌ মীশিংনা লৈবাক অসিবু তোঙান-তোঙানবা চকশিংদা মমিং থোল্লকখিবগী ৱা অরিবা খূৎই লাইরিকশিংদা ইরম্বা থেংনৈ। শাকোক লমলেন কৌবা লাইরিক্তা হয়ি চক্তা লৈবাক অসিগী মমিং তিল্লিকোকতোন অহানবা; খুনুং চক্তা মী-পোং থোল্লম (মীরা পোংথোকলম); লাংবা চক্তা হান্না শেন্বা কোন্না লোইবা, মীপোকফম মীচাইফম, তিল্লিকোক লৈকোয়রেন; কোন্না চক্তা মুৱা পল্লি অসুম্না কৌরকখি। শৌবোন য়াইরেনবী কৌবা খূৎই লাইরিক্তা লৈবাক অসি পোইরৈ মৈতৈ কৌদ্রিঙৈদা চকপা লাংবা কৌরম্মী। মথংদা মুৱা পল্লি, মথংদা ৱাংঙম তান্থোঙ ময়ুং কুইবা, লেমথোঙ মফৈ পাকপা, মী পোকপা (পোইরৈতোন খুনথোকপা) হৌরকপদগী পোইরৈ মৈতৈ কৌখি। মণিপুর কৌরকখিবগী ৱাফম অমনা কংলাদা লৈবা নুঙ্গোয়বী মীহিংচা ফুমলিবা অদুগী মথক্তা নন্দুনা থল্লিবা নূংজাউ অদুগী মনাক, তাইপোং থোঙ অদুগী কারক অদুদা লৈনুংদা য়াই মনি কৌবা নূং অমা লৈবনি, মনি অদু লৈ হায়বগী মণিপুর কৌবনি হায়না শতিং শাকোক কৌবা অরিবা খূৎই লাইরিক্তা ইদুনা তাক্লি। অদুগা, চক মরিদা পানখিবা নিংথৌরোন কয়াগী হাকথক্তসু য়ূমথংননা লৈরিবা পোং, খাগী, খামরন, পথান, তেখাউ, তখেন, হিন্দু, ময়াং অসিনচিংবা কাঙলুপ কনা অমত্তগী মখা পোন্দনা মালেম অসিদা মমিং চৎনা, য়াম্না খূৎকন পাঙ্গন্না পাল্লকখি। লাইদি সনামহী নীংই হায়না খুনুং লৈকোয়রেন কৌবা খূৎই লাইরিক্তা ইদুনা তাক্লি।

অদুগী মতুং, হয়ি চক, খুনুং চক, লাংবা চক কৌবা চক অহুম অসিগী মতম্না হৌখ্রবদা কোন্না চক (কলি যুগ) হৌরে। চক অসিগী কুমশিং ৮৩০৯ শুরকপা; শকাব্দ ১৬৩৩; খৃষ্টাব্দ ১৭০৯ দা লাইনিংথৌ মৈদিংঙু খাগেম্বগী অহুমশুবা মপোক ওইনা পোক্লরবা পামহৈবনা মীতৈ লৈবাক নিংথৌ কংলাদা ওইরে। মহাক অসি চরাইরোংবা মহারাজগী অশেংবা সনা ঈ নত্তে। অদুগী শেনবী মুকাকলৈ মরুনা হুনবদি হৌই; লিক্লাই মরুনা হুনবদি হৌদে হায়না অখঙ অহৈশিংনা পাউরৌনৈ (লারৈ লাথুপ)।

পামহৈবনা পানবা হৌরকপা মতম অদু পাখংবনা পানবা লোইরে। পাখংবদগী হৌনা নিংথৌ ওইবা ৪২ নে। অহানবদগী হৌনা নিংথৌ ওইবা ৭ তি লাইগী নিংথৌনি। মীনা নিংথৌ ওইবদি মৈদিংঙু নাওফংবদগী হৌনা চরাইরোংবা য়ৌনা নিংথৌ ওইবা ৩৫ নি। অসিগী মতমবু পাখংবনা পাল্লে। অদুগী মতুংদগী সনামহীনা পাল্লে (নিংথৌরোন শিংকক ককৱাইবা)।

লাইয়িংথৌ সনামহীনা পানবা হৌরকপা, খৃষ্টাব্দ ১৭১৬, শকাব্দ ১৬৩৮ শুবদা নবুধৌ সনামহীনা নোংচুপ্তা তন্না চৎলগা রামান্দি লাইনীং শন্দোকহল্লনবা শান্তিদাসপু কৌথোক্লুরগা তন্না হল্লকখি (নিংথৌরোন ককৱাইবা)। কুম অদুদা শান্তিদাসনা মাগী সেবক ভগাবান দাস অমসুং নরায়ন দাস কৌবা অনীগা লোয়ননা বাঙ্গলা লৈবাক্কী শ্রীহট্ট জিলাগী নরসিংহ টিল্লাদগী খোঙনা নোংপোক পাংনা লাক্লগা ঙাপ্রুম চীঙচেন য়ৌরক্লগা নিংথৌ শেনবা লান্মী য়ারেকশঙদা নুমিৎ খরা লৈখি। অদুগী মতুংদা লান্মী শঙলাকপা নিংথৌজাম্বা য়াওজবা, নম্বোল খাজিরি মনিং লৈকায়দা লৈবনা শিন্দুনা পামহৈবা মহারাজগা মশক খঙনহনখি। অদুগা নিংথৌগী মতু লৈমা পীরে, গুরু পাৎশু (সনা কোনুং) কৎলে। নুমিৎ অদুদা ঔৱা অমসুং তখেন নাবা চৎপদা শান্তিদাসকা নিংথৌগা লোয়ননা চৎমিন্নৈ (মৈতৈ নিংথৌরোন)।

শান্তিদাসকী হৈশিংবা মবুদ্ধি মরৌশিংনা নিংথৌগী মবুক্লিং ওলহন দুনা শা-লানগী ৱাখল থাদোক্তুনা রামান্দি লাইনীংদা মবুক্লিং চঙহনখি। খৃষ্টাব্দ ১৭৩৭ হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা শগোলশেন নুমিৎতা মহারাজনচিংবা মী ৩০০ নগুন থাংই। শ্রীরামগী মুর্ত্তি লিংখৎতুনা লাইশঙ শারগা লাৎলি। মপা মপু হাক্তক্তগী লাৎলক্লবা মীতৈ লাই পূম্ন মক নিররোইশি হায়দুনা উমং লাইগী লাইশঙ পূম্নমক শিদোক্লে। লাইগী কোলু কোমাই পূম্নমক ফকতোল্লগা মোংবহনবা উমং (মহাবলি উমং) দা হৌবা পেরেনহৈ (অশি হৈবোং) মনাক্তা কোম তৌরগা ফুমজিল্লি। সনা কৈথেলদা য়ুংবা নূংজাউ ফুক্লগা সনশেন্থোং ৱাংমা লান্না পুরক্লগা হনুমানগী মীত্তম শারগা, উমংলাইগী কোমাই ফুমলিবা অদুগী মথক্তা মন্দির শারগা পুশিন্দুনা লাৎলে। মদু হৌজিক ফাওবা তৌনরিবসিনি। খৃষ্টাব্দ ১৭১৭ কী মেরা ১৭ নি লংমাইজিং নুমিৎতা লাইরিক খোমগৎলগা কংলা উত্রা মমাঙদা মৈ থাদোকই (চৈথারোল কুম্বাবা খূৎই লাইরিক, লা: ৪৪)।

অসুম তৌনা, য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ইপা ইপুশিংনা চৎলকপা, তৌনরকপা ইরাৎ-ইশোন, লাইনীং-লাইশোন, ইরোল-ইয়েক পূম্ন মকপু খৃষ্টগী তরানিপান শুবা শতাব্দিগী অহানবা তঞ্জাই অদুৱাইদগী পামহৈবা মহারাজনা নমদুনা থাদোকহল্লগা রামান্দি লাইনীং নৌনা চৎনহন দুনা লৈবাক্কী অচৌবা অওনবা অমা ওইহল্লকখি। মসিবু নোংচুপ থোঙ হাংবা, নোংপোক থোঙ থিংবা হায়বনি। অদুগী মখা তারকপদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী হাক্তক্তা কাইনা চীংদগী উহৈ পানবা থৈবোং য়াল্লগা খৃষ্টাব্দ ১৭৭৬ তা শ্রীগোবিন্দ বিগ্রহ তৌই। লাই শাবা মতমদা ইবুংঙো মাগী খোইদৌদা পাখংবগী শাথেক অহুমশুবা শক্তম হক্তুনা থমহনখি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি শ্রীগোবিন্দ অসি পাখংবগী শাইওন্নি হায়বা খঙনবনি। অদুগী মতুংদা মন্দির শারগা লাই লেংশিন্দুনা নিরুপন তৌখি। নুমিৎ অসিদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা ফম্বান থক্তা থাঙ্গৎহল্লগা শ্রীগোবিন্দজীবু রাজ অভীষেক তৌরগা ঙসি নুমিৎতগী হৌনা মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌদি ইবুংঙো নঙনা ওইবীরো হায়দুনা নিংথৌনা উপ্পা লুহুপ লৌথোক্লগা মখোঙ খাদা কৎচরগা ও-খোংনা কপ্তুনা খুরুমজখি। নুমিৎ অসিদগী হৌনা শ্রীগোবিন্দজীনা মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবা অদু চহী ২৫০ শুরকপদা লোমলে। ইবুংঙো মাগী কোষ্ঠি ইখি। গোবিন্দাব্দ কৌবা শোক লিংখৎতুনা চহী মশীং থিবা হৌখি। হরি সঙ্কীর্ত্তন লিংখৎতুনা ইবুংঙো মাগী থৌগল তৌদুনা নুমিৎ খুদিংগী লুক কৎতুনা থৌগল তৌনরি।

অদুগা ইরোইননা, লৈমা তানু নিংথৌ কাংবগী মচা লংপনা পোকপা লাংতেনা মালেমদা য়াম্না খূৎকন পাঙ্গন্না পানবা হৌরকখি। মখোয়না পানগদবা চহী ৪০০ নে। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াদা চহী ২০০ রোম পানখি। মসিগী মনুংদা মণিপুরদসু ১৮৯১ দা এঙ্গলো ৱার থোক্লবা মতুংদা মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল কংলা খুদুম চন্দুনা চহী ৫৬ চুপ্পা লোইলম লৈঙাক্লগা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৪ গী অহিং নোংয়াইদা মীতৈ লৈবাক থাদোক্তুনা মরমদমদা হনখি। নুমিৎ অসিদা মখোয়না পানগদবা চহী ৪০০ লোমলে।

বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং চহী অনী লৈরগা খৃষ্টাব্দ ১৯৪৯ ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা নমদুনা তিলহল্লগা, ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা অতৈ ষ্টেটশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী হন্থবা থাক্তা থমদুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন শেনমিৎলোন চৎনহল্লকখি। মসিনি নোংচুপ থোঙ হাংবগী মহয়। নোংচুপ থোঙ থিংবনা মফমদি কংলাগী অতোংবা শরুক অদুগী নোংচুপ থংবা চেকপল খারিবা অদুগী মনাক্তা ময়া পানবা নূং অশাংবা অমা লৈরিবা অদুদা ইরাৎকদবনি।

নোংপোক থোঙ হাংবগী মতমদি শ্রীগোবিন্দনা মীতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবা মতম শুরবদা সর্গাহন ওইরবা মতুং লাইনিংথৌ পাখংবনা কংলা ফম্বান তোংবা মতমদা হাংগদবনি। লান চেন্দুনা লৈরুরবা লাই পূম্নমকসু কংলাদা হঞ্জিল্লক্কদবনি। অরিবা লোনবু নৌনা খুন্থোক্লনি। খুনুংগী লমচৎ চৎলগদনে। মতমদো চাক্লা কায়নগদৌরি। তাক্লে লোমলে।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....


## নাগালেন্দ সি এমগী সেনাপতি খোঙচৎ

**মণিপুর** হায়রগা মৈহৌরোন্দগী খঙনরিবসি চীংগী কম্যুনিতি ৩০ মুক তম্মি অমদি মীতৈ পাঙন পূন্না চাওরাক্লা ফুরুপ ৩২ মুক্না তোঙান তোঙানবা চীংদা অমদি তম্পাক্তা খুন্দাবা চীংগী চীংমী কয়াসু তমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবসু য়াওরিবা, চাওরাক্লা অপূনবা মীশিং ২৮,৫৮,৭৮৫ রোম লৈবা তোঙান তোঙানবা লাইনীং কয়া চৎনবা, চৎনবী সংস্কৃতি তোঙানবা মশাগী নাৎকী ওইবা চৎনবী কয়া লৈজবা অপূনবা শক্তম অমা ওইনা লৈজরম্বা অপীকপা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী তোমথিন ঙানবা চীংশাং পরেংনা ইকোয় কোয়শিনবা ইম্ফাল, নম্বুল তুরেল অমদি খুগা তুরেল কয়ানা অৱাবা কোকহনবা লোক্তাক পুমলেন পাৎনা মিংশেল ওইদুনা লৈরিবা লমদম অমনি। মসিদা মণিপুর মচেৎ তানবা ঙসি ঙসিমক ইথিল কয়া ফুজিল্লক্তুনা চৈথেং কয়া পীদুনা অৱাবা ঈপাক্তা তাদুনা লৈরিবা অসিবু ঐখোয়না য়েংদুনা লৈফম থোকপরা? হৌখিবা ওক্টোবর ১৯, ২০১৬ তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী য়াংপোংপাও খুন্দা পাঙথোকখিবা মীফমদা নাগালেন্দগী সি এম টি আর জেলিয়াংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মণিপুর পূম্বদা পাউচেগী খুত্থাংদা খঙলে, তারে। ইকায়খুম্নজরিবা অদুনা খঙগদবদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইরবসু মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মদুদগী হেন্না লানবা তাইবঙপানবা অসিদা লৈররোই। মীওইপোক্কী তাইবঙদদি লায়রদনা শাষণ, উচেক-ৱায়াগী তাইবঙ ফাওবদা ওইথোকপা য়ারোই। ইকায়খুম্ন জরিবা নাগালেন্দগী সি এমনা হায়রল্লিবা ৱাফমদু নিংথৌ পানবা মতম ওইরবদি মহাক খুদক্তা অঙাং ওনবগী মরাল লৈরবনি। মাগী মশাগী লম নাগালেন্দদা মণিপুরগী বাউন্দরিগা তাইনবা নাগালেন্দগী লমদা মণিপুরগী সি এমনা গ্রেটর মণিপুর থোন্দুনা ৱা ঙাঙলুরবদি হিংনা লাক্কদ্রা? ৱাহং অসি ইকায়খুম্নজরিবা মশাদা হংজবদা করি পাউখুম লৈগনি? মহাক্কী নাগালিমগী নোমেক্লেচর ওনবদা মশাগী ঙমখৈ মনুংদা ওনবা অকায়বা লৈতে। অদুদি নত্তনা মণিপুরগী জিলা অমা ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ডি সি ফল্লিবা অদুবু নাগালিম, সাউথ নাগালেন্দ, গ্রেটর নাগালেন্দ হায়বা তোঙান তোঙানবা মমিং ওইবা য়াই, খোই মহুমদা চৈনা থিনবগী মওং তৌবা অসি মহৌশা নিংথৌ পানবা মতমদা মীগী নুপী নমদুনা মুন্দুনা লৌবগা খেন্নবা করি লৈ? মসিদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈরবদি ঐখোয়গী নুপী অঙাং ফাওবা মাগী নুপী ওইগে হায়বদা ঐখোয় য়াবা তাব্রা? অদুগী মথক্তা য়ু এন সিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা গাইদোন্না মিটিন অদুদা পীখিবা মাগী ৱারোলদা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাকনি, ঙাঙনীংবা ঙাঙবগী হক লৈ হায়দুনসু মণিপুরগী সি এমগী মথক্তা নাগালিমগী ইশুদা চার্জ কয়া তৌবতা নত্তনা লমদম অসি মচেৎ মচেৎ তানবা জেলিয়াংগা মান্নদুনা মণিপুর থুগাইনবা অমদি পীক্লবা মণিপুর অসিবু কাংখুন মুৎনবা হোৎনবা ৱাঙাঙ কয়া ঙাঙখিবা অসি খরা খিক্তং খন্থবা চুমগনি। মরমদি মহাক হৌজিক মণিপুরদা লৈব্রা নৎত্রগা নাগালেন্দদা লৈব্রা? তশেংনা মহাক্না লৈরিবা ইম্ফাল ময়োল অসি ফাওবা নাগালিমনি হায়বা ঙমলক্কদৌরিব্রা? মহাক অমদি জেলিয়াংনা মণিপুরগী চহী ২০০০ হেল্লবা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মমাঙ অমসুং মতুংগী পুৱারিবু নৈনদনা মণিপুরগী পুৱারিবু নাগাগী পুৱারীদা য়াওদে হায়বা অসি মণিপুরদা পোকপা মখোয়দি লায়রদনা বৃটিশ ইন্দিয়াগী লুচিংবা কয়া সার জোনষ্টোন অমদি প্রেটিগ্যুনচিংবা স্যাহেবশিংনা মণিপুরগী মরমদা ইরম্বা পুৱারি কয়ানা লেংদনা শাখি ওইরি অমসুং উখ্রুলদা প্রেটিগ্যুগী মমিংদা কোলেজ ফাওবা লিংখৎপীরম্বনি। মসিদা গাইদোন লৈয়েং খিক্তং ফাজিনবা চুমগনি। পূম্নমক হুন্দোক্তুনা থল্লগা ইন্দিয়াগী অতৈ রাজ্যদা চৎপদা নঙ কদাইদগীনো হংবদা ঐ নাগালেন্দদগীনি হায়বা য়ারোই। মরমদি মণিপুরদা লৈনা লৈনা নাগালেন্দ মচানি হায়রবদি মনা লৈরিবা মফম অদু নাগালেন্দ ওইবা তাব্রা? মসিবু য়ূমলোন্নবা লৈবাক অমনা তৌফম থোকপা থবক্লা? মহাক অসিবু কয়াম শক্তি লৈবা নুপানো? মসি ঙল্লিবা অসিমক খুরক্কী ঈনা লাই শাবা য়াওবননি। লাই শারিবশিং অদুসু খরা খন্থবা মতম ওইরবনি। চাকনা মণিপুরগী চাবা, ৱানা নাগালেন্দগী ঙাঙবা অসি অচুম্বনি হায়না লৌবা য়ারোই। মণিপুর লৈঙাক্কী জিলা খুদিংদা কায়থবা শেনফম খুদিং মীয়ামগী খূৎতা য়ৌরবসু য়ৌদনবা অকন অথৌ খরনা হৈনথোক্লবসু কায়রকপা শেনফমদি লেপ্তুনা জিলাগী ওইনা য়ৌরিবনি। শেনফম অদু নাগালেন্দগী খূৎথাংদগী লাকপা জেলিয়াংনা পীরকপা নত্তে। নরম চাদবা ৱাহং পাউখুম কয়াগী নরম চাদবা ৱাহৈনা পীনরবদি করি ওইগনি। ঐখোয়না খঙগদবদি য়ূমলোন্নবা হায়বসি য়াম্না নুংশিননা লৈফম থোকই। অৱৈ লৈত মতেং পাঙনদুনা নুংশি চান্নন লৈবনা অফবা খুন্নাই অমা ওইগনি। হৌখিবা কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ দা মীওই কয়া শিখ্রে, মীওই কয়া অমা শোয়নাইদুনা লৈনরি। মসিদা হৌজিক অমুক জেলিয়াংগী মণিপুর কায়নবা হু কামশিনবা অসিনা হাৎকদবা মীশিং কয়া ওইগনি ঐখোয় হায়বা ঙমদে। অমনা মণিপুর ঙাক্নবা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্স কয়া অসি করিগী থম্বনো? লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাকপা ঙমদ্রবদি মখোয় থম্বগী কান্নবা করিনো? অমুক মণিপুর কনগনি হায়দুনা লাউরিবা লৈঙাক পায়রিবশিং অসিবু মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা মাঙ্গোন দা লাউদুনা লৈবনা কান্নবা ফংলোই। মমৈদা লাউদুনা লৈরিঙৈদা কংলাদা সাউথ নাগালিম থোনজিল্লক্তুনা মীতিন পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরি। মমৈদা মণিপুর ইমাগী মচাশিং তুম্না হাৎনরক্তুনা খুন্তাক লানশিবা শোয়ররোই। অদুগা আইনগী থোংদসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না নাগাদা অচৌবা মতেং পাঙশিল্লিবনি। অমুক্না মণিপুরগী বি জে পিনা সেন্টরদা এন দি এগা এন পি এফকা চৎমিন্নবগুম লমদম অসিদসু এন পি এফকা পূন্না চৎমিন্নবগী য়ানবা লৈরিবনি। অদুনা মণিপুর থুগাইবা পাল্লিবা অসি এন পি এফনি। এন পি এফ হায়বা দল অসি ফুরুপকী ওইবা পার্টি নত্তে। নাগালেন্দগী রিজনেল পার্টিনি। নাগালেন্দগী রিজনেল পার্টিবু মণিপুরদা মচা পোকপা য়াফম থোকপ্রা? মণিপুরগী এম পি পি অসি নাগালেন্দদা এম পি পি নাগালেন্দ হায়না শেম্মুবা য়াগদ্রা? অরোইবদা কোংগ্রেস খঙদে, বি জে পি খঙদে মীয়ামগী পূক্লিং ফাথবিয়ু অমনা অমবু থঙজিন্নদুনা কান্নরোই। লৈবাক্কী থৌগল তৌগে হায়রবদি লৈবাক মীয়াম কল্লু, লৈবাক্কী ঙমখৈ কল্লু। মসি মীয়াম খুদিংগী পূক্লিংদা লৈবা ৱাফমনি, কাউদবা ফৈ। জুন ১৮ গী থৌদোক্তা লৈখিদবা অদুদগী হেন্না হন্দক্কী অসিদদি লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা থৱায় থানরক্কনি। নরম চাদবা নগাগী মীওই খরনা হেক হেক কায়হৌরগা মমল য়াল্লবা মণিপুর ইমাগী মপারি মমোম কয়াগী থৱায় হেক হেক মাঙহনবা অসিবু অচুম্বরা? খন্থমিন্নসি, অদু নৎত্রবদি মণিপুরগী মীয়াম ঙমখৈগী লানগীদমক শেম শাদুনা লৈনরগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১। পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) পায়োৎ (খ) পাহাংনোংজা
২। ''ইরকই খুঙ্গংগী চিঠি/কনা হন্না য়েংবীদ্রবা তোর্ব্বানশিংদা/উপালশিংনা ঙাইদুনা লৈ উচেকশিং।'' কবি কনানা হায়বনো?
৩। 'কংলবা চেংহী ময়াল' ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো?
৪। 'মাধবী' বু বেঙ্গলীদা হন্দোকখিবী নুপী অইবীদু কনানো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।